ঈরৈমা

অমাবন নিপামচা

১৯৮২-৮৩ ইংগী মনিপুরগী মহৈ লোইশংগী মতেংনা থোক্তবা।

ঈরৈমা

অরাম্বম নিপামচা
খুরাই থোদাম লৈকাই

মমল লুপা ৪.০০

অকোংবা— অইবা।

[পুন্নমক অইবগীনি]

কপি— ১,২০০

পুথোকপা— ১৯৮৩

ফংফম— [illegible]লগী লাইরিক য়োনবা মুকানশিং।

[illegible]গে হায়রবদি অইবগা অমুক্তং উন্নবিরম্মু।

নম্ফম— খোংনাংথাবা প্রেস, খুরাই লম্নোং কৈথেল, ইম্ফাল।

লিলাদা চঙবা মী

নিপা –

১ | তবুং ব'— ক'লৈ মৈতৈ নিংথৌ। নিংথৌ অসি লৈশুং লেংজা পাখংব খুমুং লোজা অঙানবগা খুমুম লাইঙ্গা অনিনা পোকপনী। এম: সুকুমার

২ | খেলেম্বা— চীংদাই চীংদা পানবা নিংথৌনী। নিংথৌ অসি তাংখুল চুইজা নিংথৌবগা হাওরৈমা শম্বুবীগা অনিনা পোকপনী। এল: গোজেন্দ্র

৩ | খাম্নংবা— চীংশোং চীংদা পানবা নিংথৌ। টিঐচ: নবা

৪ | তোনাখংবা— অকাওজমচানী, তবুংবগী খাজবা মনাই অওম্বনী। এন: নবদ্বিপ

৫ | ১-বা মনাই— খেলেম্বগী খাজবা মনাইনি। বাই: উমকান্ত

৬ | ২-বা মনাই— খেলেম্বগী খাজবা মনাইনি টি: শরত

৭ | ১-বা মনাই— খাম্নবগী খাজবা মনাইনি। পি: মাঘচন্দ্র

৮ | ২-বা মনাই— খাম্নংবগী খাজবা মনাইনি। ঐচ: নব

৯ | খুঙ্গ পাখং— খাম্নংবগী খাজবা মনাইনী। টিঐচ: ইবোতোম্বী

১০ | ৪ বা মনাই— তবুংবগী খোঙ শাবা। এল: জয়

● খাও ও অমসুং তাংখুল জগোই হৈবা নিপা খরা।

নুপী—

১ | খয়োম লৈমা – খেলেম্বগী নুপী। মহাক অসি তাংখুল লৈবুবীগী শাইওন্নি শ্রীমতি বীমলতা

২ | ঈরৈমা— খেলেম্বগী মচানুপীনী। ঈবেম্মসি হাওরৈমা শম্বুবীগী শাইওন্নি। টিঐচ: সুনিতিবালা

● লৈরগা জগোই হৈবী নুপী খরা।

পুথোকপা— সঙ্গীত কলা সঙ্গম, খুরাই।

অহান্বা উৎপা— নীঙোল চাকৌবা, তাং ১৭/১১/৮২

তম্বীবা— লাইশ্রম তোন্দোন।

[নাটক অসিগী ৱারীগী মিয়াং লৈখিদ্রবা
ওজা চুংথাম ৺মনিক (পেনা শংলকপা) দগী লৌকখৌবনি
অমান্ অহুই য়াওরবদি চুমথোকচনবা তাকপিরকপদা
থবায়মা লৌজগনি ।]

ঙাইবা -

ঈরৈমা

অহানবা উৎপা

মফম— চীংদাই চীংগী খেল অমা।

মতম— লমদা থাগী সুমিৎ য়ুংবা মতম।

মী— খেলেম্বা, মনাই ১-বা, মনাই ২-বা, ভবুংবা, তোনখৈবা (ঈমফম ভাঙলবা সুমিৎকী শেংজবা মঙালদা নোংলৈ সুংশিং অতংপা লৈতনা শিংজি, খেলেম্বা ঈশিং খৌরাংবগী মৈশা থাঙবা ঙমজহনা চীনথান য়ানি থক থক কংনা থানা লাকই।)

খেলেম্বা— কোরৌ অঙান পাম্থোইবা! ঙসি কৌবা নোং, চিংঙু নতীক-নয়াই অহেনবা তোপতোম্মা নংশেক মঙান অখা উৎপবু তাইবংগী করি ফজবা থোক্লগদৌরিব্রা! আঃ লাইঙ ইথৌসি নাংথোদা। (ঙ অমদা, আহুনা ফমথি ১-বা মনাই অহাঙবা তুম্বা অমা; পাঙ্হনা নিঙবা কাঙনা চঙ-লকপা উবদা—) কদাই! অমুব চীংজুম লাইঙ কংলক্রবা?

১-শা মনাই— ঈপা নিংথৌ। ঈরোক লাইচম থুদিং থুংলুরে, কৌবা হুমিত্তি করিগুম্বা মখম অমত্তদা ঈফুৎ লাইঙ্গ থোকপা লৈখিত্রে। ঈয়োক-ঈকোম থুদিংমক হীরাং লাইগুম লৈক্রক চৎল্রে।

খেলেম্বা— উমঃ ঙসি কোরৌ অসিবু চীংঙ্, মত্তিক লৈবা খয়ুম কনম্বগী মথৌরাঙনোনে তয়ুম? য়েংউদো, কোরৌ অসে থাম্বী লৈত্রেং অরাবদা ফুদোংলবা কোরিগুমল্লে, মাগী মচুনা চী‌ংয়া তমন্না পূমত্তাঙ ঙাঙল্লে। অমরোমদা মালং খমকোন পাঙ্গন-থনা মালেমসি তমদোক্লগদৌবগুম লীংলি।

১-শা মনাই— নত্ত' রাখন থনবীরুগমু ঈপা নিংথৌ, লাঙ্গ-কাইরেনগী হৌবশানি।

খেলেম্বা— ঈমঃ মছুদি ঐস্ত্র থঙই, ঙসিগুম্ন তৌবদি করিম্নুংদা উথিত্রি, অমরোমদা থঙউ— লৈশৌবুঙনা মতোন ক-দে ঈফুৎমা লাইঙ্গ কদে হাঈবা পামম পুরমচৎকী বা লৈবনী, মহু ঙলিদি ঙম্ন লাল্লে। (২-শা মনাই চঙলকপা উবদা—) লাইঙ্গ কংব্রমন্না তয়ুম?

২-শা মনাই— মহৌশাগী থঙনবা ঈফুৎ ঈকোম থুদিং থিরুরে, অমত্তা থিবা ফংবা কৌবা লৈখিত্রে ঈপা নিংথৌ।

খেলেম্বা— উমঃ তয়ুমশা। ঙসি ঐথোঈনা রাঈর শাথিরকপা লোইবীসিবু চীংদাই'ঐগী চীংশা নত্রববনে?

১-শা মনাই— মাদি ঈপা নিংথৌ, চীংদাই ঐথোঈগী চীংশানী।

খেলেম্বা— ঐগী ঈবান্দ ঐগী পোৎথমকম ঐনা খঙজবা।

২-বা মনাই— অওইবমক্তি ঈপা নিংথৌ, চিংঙু করম্বগী মথৌ-বাংননো খঙজগে, তূ-খোং ঈফুং ঈকোম অমত্তা থিবা ফংবা কৌবা 'লখিগে।

খেলেম্বা— চুম্মিহে তযুম, মসি পূম্নমক চিংঙু খথুম লাই মাগী মথৌরাং অমা ওইবা তাই। অতুবু হমু মাইকা হনবা মঙেং তারবা খেলেম্বা ঐবু লাইজ ঈথৌ লাংবগী অরা মৈশাসি খাঙ-হনা মোংব ঈরান য়ৌবা ঙমখিগজরনে?

১ বা মনাই— করিগী ঙমদদগে ঈপা নিংথৌ, ননাই ঐখোঈ অনিনা শিন্ন-শিন্ন শমু নমদা পোজগে, ঈরান য়ৌরগা পেম লাইজ থক্তুনা খৌরাং' মৈমুংলুরসি।

খেলেম্বা— করে, করে, নখোঈনা ঈত্তেং খরদং পাংথিমু চংপা ঙম্মা য়েংগে। (মনাইশিংগী মতেং লৌহুনা ক্ষৌগৎলি, লেপথৎলকপমক্তদা লাপতক্ল নোংলৈ মুংশিং অকনবা অমা শিৎপা তাঈ, উই) তযুরশা। য়েংউ, পামেল ঊগী মতোম্না মালেম লৈদ খেৎপমথৈ, হাই-হুমহুনা শীৎলকলিবা নোংলৈ-মুংশিং অসি। চুমদে, ঐখোঈ ভাইহাক মকম অসিদা থুপ-খিসি, নজরবদি নোংলৈ মুংশিং মাঈয়োক্লবা তাই। (মখোঈ পাকথগে, মুংশিংকী অকনবা শক্তম তাই, কিনা মখোঈ অহুম মুংশিং লাকপা মাঈকৈদা য়েংহনা লৈ। মুংশিং খরা খরা নেমথরকপগা লোঈননা তোনখৈবা অমত্তুং তবুংবা তা পাঈহুনা চঙলকই।)

তোনখৈবা— তম্বা। নখোঈ কনা কনানোহে? নিপা মচানা হুরান্‌, পাম লালওংদা শামাম্নবা লানশীঙনবা হৌনদে, থোরকউ— অকোং লাম্নাদ থবাক চুঙওইনা শাখোম ঙ-ওইনরি। (মখোঈ অহুম্ন ঙপ্ন হৌগংলি, মনাইদা তা শীরগা।)

থেলেম্বা— ঙুদাই। পারি মানবা নখোঈবু নমু তাইবংমক্রা? নত্রগা থয়ুম লাইগী শকলোনা? হৌজিক্তা নোংলৈ মুং খিংকী শক্তলাদা।

তোমখৈবা— হেজিঙকন্থ, নত্রবদি তিমেন ঈথুংগু অসিনা।

তবুংবা— ডাইখো অঙবা।

থেলেম্বা— ঙপথখো, পাঈমা শীবুকমুংদা নখোঈগী হুইয়েন লানশীংনগে খন্দেকো পারি মানবা।

তবুংবা— পম্থৌ ডাইব! চেংদো শক্তাক্লসি; কমিমোংগী মকম অসিদা?

থেলেম্বা— ডাঙদো পারি মানবখোঈ! চৌংশাং অসিদা পানবা চৌংদাই থেলেম্বা হাঈবন্থ ঐচাকনী।

তবুংবা— চৌংদাই নিংথৌ?

থেলেম্বা— উমঃ মানি। ঈপানা হেকমা পারি নত্তবু সনা থাঙ-গুম মচান নাই নিংথৌ কিগুম মরেক লানা ঊই, ডানিঙ থঙনিঙলেদা চেংলো শক্তাকলোগবা।

তোনখৈবা— কংলৈপাকী ঈনিংথৌনি, কোলোই মিংলম্না তবুংবা।

খেলেম্বা— কনৈ কুমজৌংদা লাঙ্গোই শারোকপুংদা পানবা মৈতৈ পিবারোন অপোইবা মৈদি ঙু, তম্বুংবকো ?

তম্বুংবা— মানি পম্মো ঙাইবা।

খেলেম্বা— অদুদি, পাংগনথো। ঙসি কোরৌ অসি রাজ্যর শাগিবা লাকপনি লৈরক্লে। অমুক যক্তবা মাগী মখোয়রাং-নগী রাজ্যর শকপদা, রাজবন মিশানা য়ুবনে লাইজ অখো লান্নবা মৈচাকনে থাংজেদা পারি। লাইজ থরদদি পীথক-উগনা, নমবদি য়াওবী মাচা তারেনে পারি। (খেলেম্বা তুথক্লে, তম্বুংবা— ১-ব অমসুং ২-বা মনাই য়েংহনা—)

তম্বুংবা — অঙম্বশা। নখোয়গীদি নপাং-মকোম্মি, লাইজ থরদদি থিবীকদনা।

১ বা মনাই— নেত্তে নিংথৌ। কাম্লদে, মকম অসিগী ঈরোক লাইচম থুদিং থুংলুয়ে, ঈযুং ঈকোম শুদংমক লাইজ তুংবা লৈখিদ্রে।

২-বা মনাই - কনৈ পিবাদ্রেন। অচুম্বমক্তি, ঈফুং ঈকোম ওইনা লৈবা মকম পুম্বা লম্বী লম্মাংনদ্রে, লাইজ ফংবা কৌবা মরৈদ্রে।

তম্বুংবা— লাইজ থিবা য়ত্রবা। (নোংমদোন থক্তা হুমিংপু মুম্না য়েংই, পুক্লিংদা থোনিজে, নোংমদোন শঙ্গাইনেন পাই-বগুম লংলক্লে, অকনবা নোংনৈ মুংশিংকী শহুম তারকলে, তা পাঙ্গরগা থেঙ্গৌরোন মাপল শুনা থোশারক্লে) য়াইকরেন

য়াইকবা। থুদুং লোম্বা অতানবা নৈদুং লোজা পাথংবনা
পুম্নমক্কী য়াইকয়ে। ।তাগী থংমি য়েনবা মালেমদা থিদ্রে,
তম্ন মি-মি তা শকংলকই। তাগী তাদোন শংপা লোইবগা
লাঈজ ঈশিং পেরে বাপথংলবই। ঈপা নিংথৌ। পীবুক থম্ন
লাইজ থকপীরো। (১-বা মনাই চঙশিন্দুনা কোয়েক্তা ঈশিং
য়াই, মগাম কক্রা। মংই, খংেম্বদা ২-বা মনাইনা ঈশিং পী।)

খেলেম্বা— ঈকোমদা লাইজ ঈক লবা। (হ্রাওনা ঈশিং থকও,
ওকলে-পেরে, কংনৈ ঐনৈত পি।েব। থৌদোক অমি
কোংথৌক্তা হুয়িং-থানা ভাল্লিবমথৈ নিংশিংনবা মকনসি
লৈহৌমম্বু, চাদোম্ন তদোম্ন চীংদাই ঈয়োক্কোম হাঈনা
রাতম তেংথানহৌরম্বু ঘাঈববু পাত্রি নিংথৌ ?

তম্বুংবা— পম্মোদা নিতবদুমক থযুম মানা বুবিবা তঈমসম্ন।

খেলেম্বা— হুংতাইবে পাবি। হৈমু তাইর। তম্বুংবা! লেমবী
তুকতাক অয়াকপা চীনযান কা মৈ খুগে মৈরৈয়-মৈবা চিংউ।
(অমনা কা'চুপ্পা হীদাক হাপ্পী অমন, মৈরৈয় রৈ, মৈবা
চিংই মৈ হৌবা তমনরে।)

১-বা মনাই— ঈপা নিংথৌ! মৈরৈয়-মৈবা চিংবনা থাম্বী
মৈহৌবা তমজ্রে।

খেলেম্বা— ওস্থোকইদ। করম্বা থযুম কত্তবা মাগী মথৌমাংনো,
মৈরৈয়-মৈবাদা থাম্বী মৈহৌজ্রবা ?

তম্বুংবা— অতম্বথোই। পম্মোগী নিতব থুংনবাথৌমাংজগে মৈতং

মৈচমচু ঐগী নিংশাগী মাঙ্গয়োক্তা থম্বীযু থাম্বী মৈ শীজগে। (মথাম শুক্রা য়ে চুন' লৈ, মৈশুং-মৈচম তম্বুংবগী মাঙ্গয়োক্তা নক্রগা মনাক্তা পুশিল্লি, তম্বুংবা হুমিত্তা থৌনিজরগা মরা কাথোক্তুনা নিংশা শাংনা চোন্দোকপদা মৈশুং মৈচমদা মৈ হৌরে —)

খেলেম্বা— অা থাম্বী মৈহৌরে! মৈতৈ পিবারেম অথোইবা! চেংলৌ, নতীক নয়াঙ্গগা চুম্নরে। ঙসি কৌবা নোংদগী মৈদংঙ্, নঙগী নতীক নয়াঙ্গনা পুথোকপা ঈফুৎ-ঈয়োককোম, লমগী ঙাম্নু থেরে শু নিংশাদগী থোকখিবা থাম্বী মৈসিনা মৈনৌ-মৈরা হৌদুনা লমদমসি হুংখিং থানা থোক্লিবমথৈ লৈহৌবা ওইবসম্নকো পাবি। লাউ নিংথৌ অমনা মিংথৌ অমবু ঈকাই খুম্নবা উৎনবা হুংশি পরৈ চেৎনা থাগোম্নসি।

তম্বুংবা— ঈপা নিংথৌ। (অনি হুংশিনা কৌম্ন।)

খেলেম্বা— ঐগী হানা লুবনা, পাবি নিংথৌবনা মকমসিদা থোঙ-দোঙ্গয়কপগী ময়মবু চৌজিকফাওবা পাউহংত্রি; করিনোংগী থোঙদোইরকপা চাঈবীযুদনা পাবি?

তম্বুংবা— ঈপা নিংথৌ। য়াংকম চাকলিকপোক্তা লমহেনবা মরেম খুঙ্গা হারক বাতেমলুবনী, অশোমদা ঈপা নিংথৌ শকথঙ মাঙ্গথঙনা ইঙাই শাম্নগে লাকচবনী।

খেলেম্বা— অা-য়াইফমেদা খেলেম্বা! পাবি নিংথৌ! ঙসি ঈহুংসিমদি নচা-ননাইগা লোইননা খেলেম্বা ঐগী ইথুন্দা চঙ

ঈয়ান্দা তুমনা চাম্বিম্মসি, হরাও মথোই কাক্লসি হাঈবরু ?

তম্বুবা— ঈপা নি থোঙী থৌজাল্লি

খেলেম্বা— অম-মুংডাইরেদা। থাঙনাঈরসি পাল্লি নথৌ
অঙম্বু। (ময়'ন পুম্না থোকপি।)

– Light off –

২-বা উৎপা

মফম— চীংদাই খেলেম্নগী য়ুম।

মতম— মুমিদাংবাই।

মী— ঈরৈমা, খয়োম লৈমা, খেলেম্বা, ১-বা মনাই, ২-বা মনাই, তবুংবা, তোনখৈবা, অগোইগী পাখং খম।

(ঈরৈমা ফান মফম চানা শেম-শাদুনা থাই, অমুকন্ থরাই খোঙ্গাললোমদা মপা লাকপ্রা য়েংই। ইমুংদগী)

খয়োমলৈমা— ঈমাগী লাংলেন।

ঈরৈমা— পলেম ঈবেম্মা। নমোম লৈজরে। (খোরকুমা—)

খয়োম লৈমা— মুতি মুংবুম থুদিংগা তসি কোয়ো অশিগা পম্বো মাগী খোঙচৎ মায়দে, ঘারক্লনি য়োবগা তরা অশাবা চানবা শংলো মখেল লাঙ তরা লুকপু হৌরয়ো। (অয়াপ্পদগী হয়াও পুংখোল, মীয়ামগী নিন-খোংবা তাই, মচু উরগা হয়াওনা—)

ঈরৈমা— পলেম ঈবেম্মা। য়ে বীয়ু, পম্বোংলোমদা মীয়ামগী হয়াও খোঙ্গেল তারিবসি, পম্বোনা খিংলো-খরোন অচৌবা থাঈর শাদুরক্লমায়ে।

খয়োম লৈমা— চোইমে লাংলেন, অঙম অখৌশিংগী তাঙবল শুনা থাউ। (ঈরৈমা ফিদা শেম-শাই, মপান্দগী কৌদুনা চঙলকই)

খেলেম্বা— ঈপাগী লাংলেম ঈরৈমা।

ঈরৈমা— পম্বো অপোকপা।

খেলেম্বা— ঈপাগী লাংলেন। ঙসি কোরৌ অসিদি নপা ঐগী হরাও মখোই কাবগী চাংদমনিংঙাই লৈত্রেহাই।

ঈরৈমা— বঈর শাহুরকপবু পাম্বা কৈজেং লাংল, ভেরুপী, শজী শঙাইরা? তাকপীয়ুগবা পম্রো।

খেলেম্বা— ই যাম। ঈপ বাঈর শাকরক্তে।

ঈরৈমা— অহুদি পম্বো?

খেলেম্বা— ঈপাদি পারি পোক্কে ইমোম নদোমতা ফুঈদনী হাঈবসি প ঈমা হুংত্তেং কপনী, অহুবুমহে ইমোম। ঙাস কোরৌ হুমিত্তি নপা ঐগী মখৌ মাংকেনবীনবা,— যেউ পারি অমা ফংলেদো। (হরাও মখোই কানা— জবুংবা ময়ামগা লোইননা চঙলকই, ঈরৈমা তবুংবা উবমক্তদা খোঙ-দগী তোনফাওবা মুংশি তুজুং পোকই, তবুংবসু ঈরৈমবু উবমক্তদা শ্বাই লাউনা কুংশি তুক্কুংই, মিং মরি খোঙদা তুমিন তুমিন লুকথনুখি, ঈরৈমা ঈমুংদা চঙখি, খোঙগী ন্যাক্ত কাওহুনা লোম্ন লোম্ন য়েংই, পুমনক্সি মমা মপান্থ উঙ্গ।) মমাখোঙ্গ। তম্বা অসে করৈ শুমতোংপান লাঙ্গোই শা-গোকপুদা ফম্মোই মিংতাফম ফম্বা মৈদা তোংনা পানবা, মৈদিংঙু তবুংবনিনে, পারি অসিন ঙসি ঐগী থবাই কল্লক্রবনিনহে।

থম্মোয় লৈমা— পাম্বি নিংথৌ। ঈমানা, বরিমা লম্মন শিংসিগেনে।

তম্বুংবা— অহুম্মা করিগী থনবীবগে পলেম। অহল মতম ওই লাংম্ম পাঙল শোনবগী শমু তেঙবাংনবদি নহা ওইবশিংগী মনাৎ-মখৌ নত্তবরনে?

খেলেম্বা— হুংঙাই র পাম্বি নিংথৌবা। ত'রো, চীংদাই খেলেম্বা ঐগী ফম্নাই' শিন্নাইবশা। ঙসি ঈমুং অম্সি তম্বা মখোয় কাবশিং লাবা কজেং থাঙহাইনা তিমেন ভানোই চোং অহোং কুম্ম তৌগদবনী। চৎলো ঙম্ম নখোঈস্তু নহাক নহাক্কী নখৌ পাঙথোকলু, অরা হৌধনা হৌবো শঙলো মখেল থাঙলো। (১-দা মনাই অমম্তুং ২-বা মনাই চঙথি, তোনখেবা শম্বুংবগী থোংগন তৌদ্রুন। লৈ.—) পাম্বি মৈদিংঙু! পাম্বি নঙবু পাঈমা থোঈজঙ তিলায় থোঈদাবনা তাঙজ শেনকোই বা, কৌন-লিচৎ তুংওইনা পাঈমা পীবুকম্মুংগী বারোল অমত্তুদ রাতমজ্জগেনে?

তম্বুংবা— ভাকপীবু পঙ্গে চিংনদনা।

খেলেম্বা— অঙ্গুদি পাম্বি। নঙগী ওইরম ভানবী মৈতৈ লৈমা লৈত্রি ওাই, খেলেম্বা ঐগী মদোম যুইবী ইমোম লাংলেন চৈরেম মৈদিংঙু নত্তোম্ম কংলগে হাঈববু? (ময়াম তুমিন তুমিন ঙাইহাক লৈনৈ, তম্বুংব বাথন ঙাইহাক খল্লগা তোনখৈবদা বাহংগী মিৎয়েংনা য়েংই, তোনখৈবা ম্নামে হাঈনা মঙক নোম্মী।)

তবুংবা— পম্বৌ নঙগী পাঙ্গমা থোঙ্গজং তিন্নাম থোইদানা তাকপীবা নয়াখং মালেম লৈদ তাহনজররোই। (হৱাওনা)

খেলেম্বা— মমাখোঙ্গ। চৎলু, মাগী য়াইফ পাউসে নমোমদা পাউদমলু, অহুগনে তাও, ভকপাই লুহাইবা য়ারোই হাঙ্গ যুকো, থঙলেদনা।

থয়োম লৈমা— অঙম্বা নঙগী থুৎথা লৈনা পম্বৌগী মাঙ্গয়োক্তা লৈরাং লৈশাৎ ভমগনী থক থনবীরুগনু। (থয়োম লৈমা চঙখি)

খেলেম্বা— উমঃ চৎলু চৎলু। রা লেন মরাঙ হৌবা, তরেৎ শেনফাং যৈবা। থোরকলো, অতৈ কনা লৈ? খেলেম্বা ঐগী কংলৈ থুংনা থাম্বী মৈরা থাঙ্গৎলু। (পুং যৈবা পুংজাও পুথোরকলে, শেন যৈবা শেন পুথোরকলে মৈরা কোঙ্গনা চমথৎলে।) ফমনাই শিন্নাইবা কোইনা ফমফম লাংদা ফম্বীরো, হৌবীরো অহোং কুমৈ। (ঈরৈমা, থয়োম লৈমা থোরকলে, তবুংবগী মায়েক্তা ইকাইনা ফম্বী, অতৈ ফম্নাই বশিংস্থ থোরক্তুনা ফমত্রে, থাঙ-তাগী কুমৈ উৎলে, তাংখুল মুপা/মুপীগী জগোই উৎলে, ঈরৈমা তবুংবা থুদোংচাবা লৌনহুনা য়েংনৈ, খেলেম্ব-থয়োম লৈমা মচু উরগা হৱাওজে, জগোই লাইরে, জগোই শাবা-শাবী থোকপ্রে, মতুংদা)— তাবীমু, ঐগী ফম্নাই শিন্নাইবা পূম্নমক। ঙসি কেরৌ নোং অসিদা থয়ুম মাঙদ থম ইমোম লাংলেন ঈরৈমা মৈদিংঙ

তবুংবদা কাওজনগে, ভিলাম খোঈজভনা হেকভাই ইপাউ, তরা মাভদা লাউথোকচরি। ভুমিৎ অক্লবা থাবা অশেংবা অমদা বাংলেন মরাভ হৌ তবেৎ শেনকাং য়ৈ নিঙোন লল-উন তমহুনা মরাল লুহোং খোংদোভলগনি। পম্বো ওইবগী য়াথংনি — তাবীমু মৈদিংগু, তাউ ইমোম লাংলেন নবাকস্থ, ভসিগী বাংলেনসিদগী লমলানবা কনা অমনা হৈরাভ লোম্না থিল্লকপা লৈরাং লোম্না তম্লকপা চাক চিমকত্রবনীকো। (ময়াম মপুংদগী হরাও পুংখোল থীল্লকই, তবুংবা-ঈরৈমা য়েংনৈ ঈকাইনা লুকথনখি, মন্নাম নোকই।)

—Light off.—

৩-বা উৎপা

মকম— চীংশোং চীংগী খেল অমা।

মতম— নুমিৎ যুংবা মতম।

মী— খাম্বংবা, ৩-বা মনাই, খুম্বা পাখং, খেলেম্বা, ১-বা মনাই। (খাম্বংবা কাংচুপ থক্তুনা পুক্রিং লাও-তক্লা কোইচৎ চৎতুনা লৈ, অরাম্বদা শাবাও লাল্লাও-খোন তাই, ৩-বা মনাই চঙলকই।)

৩-বা মনাই— নিংথৌ! ঐখোঙ্গীনা বানা বাঙ্গীর শাখৌজরকপা অরেম্বদা তারে, শক্তি শঙাই, শঙম-খোয়া তম্না পলিংব্রে।

খাম্বংবা— মরমদি?

৩-বা মনাই— খঙহৌদনা চীংদাই লমদগী হৌদুনা চাকলকপা লম্মৈনা খুদুম চন্নবা বাঙ্গীর শা মাঙহনখিবনী।

খাম্বংবা— অচ্ছা চা! লাকচৈদা। (খুম্বা পাখং চঙলকই।)

খুম্বা পাখং— চীংশাং নিংথৌ!

খাম্বংবা— ঙাঙ্গীযু পাখং, করি তৌরে?

খুম্বা পাখং— খাম্বী মৈরম লোৌদনা থারকপা লম্মৈনা খুঙং তুম্না চাকলে পুকৈ শীংগৈ লৈত্রে, তেকশী ওকলেন কাইরম্মেন অম ফাওবা হিংদবে, চা-নবা লৈত্রে, শেংন ইম্নবা লৈত্রে, য়েং-বীযু হৌজিকসু খাম্বী মৈ মুংত্রি।

খাম্বংবা— ই-য়া! করম্বা মতীক-মথৌনা কয়া লৈবা কনানা

চীংশোং নিংথৌ খাম্লংবা ঐভোন্দা ছুইয়েন লানশীংনরকপনো? চৎলু, খাম্বী মৈগী খোঙ্গুল লিরু। (৩-বা মনাই থোকখি) খুঞ্জা পাখং। বারুগম্মু, চীংশোং নিংথৌ হিংলি, লভজরবা মঙাক অদো শোঈদনা করোং খুৎকুম তানগনী। খুঞ্জাশিংগী চান শেংনবা অমত্তা বাঙনা পীগনী। (৩-বা মনাই থুনা চঙলকই।)

১ বা মনাই— নিংথৌ লমলানবা ভম্বা অনি মাইকৈ অশোমদা হাকথং-ভিমেন তারোন তা পাঙ্গদুনা লাক্লিবসি য়েংবীয়ু।

খাম্লংবা— উমঃ ভাইখো, চেকশিল্লু। (খুপ্তুনা লৈখি, খেলেম্বা অমস্তুং ১-বা মনাই শাৰম্ য়েঁ দুনা চঙলকই, তা শীংদুনা—) নখোঈ কনা কনানোহে? চী দাই নিংথৌ?

খেলেম্বা— মানি, চীংশোং নিংথৌ।

খাম্লংবা— চীংশোং ঐগী ইরমদা খোঙদোইরকপদি?

খেলেম্বা— বাঈর শাথিরকপনী।

খাম্লংবা— চীংদাই নভনা চীংশোং ঐগী ইরমদা হাঈজ নোঙ ভোদনা নমজা নমথেক্লদুনা বাঈর শাথিরবদি, ছুইয়াই পোম্বী শেনকোইদা, নমোম-মৈদিংঙু ভবুংবদা হাজবদগী লোৰীরে, নিংথৌ ভাইওইনবা লাইবক যুমদিম্নবে হাঈদুনা অথোই নাপন কাবরহে।

খেলেম্বা— চীংশোং নিংথৌ! নহা ওইবা নরমচৎ বাভাং কাম-জাও হুনগম্মু, চীংদাই ঐগী ইরমদগী পল্লানখিবা বাঈর শানী;

অন্থগা ভাংজ নৱৈ অন্থনা খত্তনা পল্লিবা মৈদিংঙু, তবুংবা হাঙ্গিবদো চীংশোং নঙনা কংকৎ কৎপা নিংথৌনি, খেলেম্বা ঐগদি মঙাই শা-নন্থন পাল্লকপনি, হাক্ল নচীন নয়া হেনগন্থু।

থাম্লংবা— হা-হা-হা লমলক্কী রাঙ্গির তুবান শাবু ঐগী নঙগী হাঙ্গিন্থনা নমিং ঙরোং থেৎপরক্লে? নঙগীদা লৈবনা নঙগীনী, ঐগীদা লৈবনা ঐগীনী। অন্থগা নঙগী কংলৈ নিংথৌ তবুংবা চীংশোং ঐনা কংকৎ হাবা নিংথৌনি হাঙ্গিজবা শাই। তুশোনবা ঈপা হাকশুক্লা থোকখিবা পোদোক্লি। হৌজিক মতীক মথৌনা লৈরণা চীংশোং নিংথৌ ঐঙোন্দা লোইপোৎ পোরো লাউদনা— মকোক লালু কক্লগা ঈপাগী লুখা থানগে। (মপান্দা চীংশোং মীয়াম্না লাউরকই।)

মীয়াম— তাবীয়ু চীংশোং নিংথৌ। লমলানবা তম্বা নিপা অবিন্থন্থ চীংশোং ঐখোঙ্গীগী ইথুঙ্গং থাম্বী মৈথাহ্নুনা ঈপোৎ ঈবল পুক্কে লনগৈ তুম্ন মাংহল্লম্বশিংনী, লেম্ন তরাই তশোন থাবীগন্থু। মথোঙ্গীগী খোঙলোই 'পূম্বা খুল্লা ঐখোঙ্গীনা ঙম্ন থুহ্নম চনশিনক্লে।

থাম্লংবা— তারেদনা চীংদাই নিংথৌ। খুৎলাই থাদোকউ, হৌজিক নঙ ঐঙোন্দা লঙজরবা অমা ওইরবনী।

খেলেম্বা— মত্তে, ঐ নঙগী লঙজবা মী অমা নত্তে। ঐনা থাম্বী মৈ থাবা চীংশোং নঙগী নরমদা থাগে হাঙ্গীনা থাবা নত্তে, চীংদাই ঈরমদা থাবদগী শয়হ্নুনা চাকখিবনী। শোঙ্গীব

হাঈৰসিদি প্লাই পুম্নমক্তদু খোকপা য়াই, নিংথৌ নঙগী নপোৎ-নয়ল শীংতুম ২৭ফ অমক্ত ব'ত্তুনা শিংগনী।

থাম্নংবা— শিংগদবনী, চীংশোং ঐগী মাঙখিবা তেকপী ওকলেন, কাইর য়েনবা অময়াও মহুৎ শিন্দুনা পীকরোই, ঐগী 'হুতা পীগদবনী, নত্রবদি হাঈজবা পুম্বা অরেম্বনী।

খেলেম্বা— থাজোক চাজনবা, থৌদু মুঙতেক' শম্বা য়াদবগুম পাঈমা হু ফুম্বা লমচৎনবদি য়োইবু য়োইহৈশিংগী নত্তে।

থাম্নংবা— খেলেম্ব। নঙগা চৈন কাংজৈনহুনা মতম মাঙহনং নিঙদে কাম্নবোই ঐগী মপোৎ ময়ল পুকৈ লনগৈ মাঙখিবগী অশাও লুতোন কারবা থুজা, অমদি নোংমদোন থরানগুম য়ামলবা খোঙমী লানমী মরক্তা নঙগী খোঙমী লানমী থুজোক অমনা করি তৌভমলোই। য়াইবী মাঙনিঙত্রবদি অমুকস্থ হুম্না হাঈরি— তিবেন নথুৎত থাদোকউ।

খেলেম্বা— করে চীংশোং নিংথৌ, ঐ নঙোন্দা মাঈখিযে।
(তা-থাই।)

১-বা মনাই— ঈপা নিংথৌ। (তা শীংই, থুজা পাথঙনা না-য়োন্দগী তা মুনখি, খেলেম্বা তা হুন্দোকখি, ৩-বা মনাইনা থুনজিনখি।)

খেলেম্বা— নখোঈগী নথুৎ চল্লবা খোঙলোই পুম্নমক মখোইদি চুম্নতগী ঐগী য়াথং ইনবনী, মখোঈগী মবাল নৈতে, লাজি-বদি ঐতনী। মখোঈবুদি থাদোকপীখো।

থাম্বংবা— থাদোকনী, মথোঈ অমদি নঙবুস্থু, বাকম অমত্তংদি হায়না য়ানবা তাই।

খেলেম্বা— হাঈবু বাক্মহ্।

থাম্বংবা— হাঈদনকো! হা-হা-হা খেলেম্বা। নঙগী নমোয লাংলেন ঈবৈমদো চীংশোং নিংখৌ ঐংভোন্দা কংচৌ, অহুম্বা তৌরবদি নঙগী খোঙমী লানমীগ শোঈননা নঙবু লঙচব-দগী ঙাকপীগনী।

খেলেম্বা— মহাদ, নোংপোক চীংদোমপোক্কা তোবনা নাগন চম্বা মতম অহুতদা ওহবা য়াই, মহুস্থ ঐগী শিংলিদা ঈ মরীক অমত্তং চেন্নিবমথৈদি ওইখোকলোহ।

থাম্বংবা— শিংলিদা ঈ চেনবা চেন্দবা, য়াইবি মাঙবা মাঙলবা পূম্নমক নহাক্কী বা নত্রে, নশানা নশাগী য়াইবি কঙ্খনবগী হক নভোন্দা লৈত্রে, নঙগী তংবা অমস্থুং শিবা, নমোয লাংলেন ঈবৈমা অমদি চী শোং নিংথৌগী হক্ক লৈরে থঙভ্ হাক্ক চীংদাই অঙম্বশ। চীদাক নঙগী নিংখো, খোঙমী লানমী পূম্নমক্কী য়াইবি কাম্ন-শবদি ঙসিদগী কোরো শীংগুম মঙানি শুবা মুম্রিত্তা নবেম্মা ঈবৈম চীংশোং নিংখৌ ঐংভোন্দা মযান লুহোং খোংদোংহ্নবা কৎচরো হাঈক, হাঈরিবা ছুমিৎ অসিদগী নোংমা হেনবদা মথোঈগী য়াইবি কনবগী বা অমুক থম্নবোই, নঙবুদি থাদোকপিরবনি।

থেম্বেম্বা— মহু ওইথোক্লোইদবা বানী, মহুম্ম থোক্লবা থক শীন্নুংগম্ম অঙম্বা।

থাম্বেংবা— থবক পাঙথোক্লে য়াইবি কম্মরে, নম্মবদি পূম্মমক হাইগৎলাং শননলা'দা— থঙলেদনা? নথোঙ থৌরি ওকম্নৌ পুন্নগা উতোন বাতোম্দা য়ান্দুনা কংনবা ফৌগনী। করি য়েংলি, মখুৎ হাউনা তুংবুন পৈরে লাকউ। (থেম্বেম্বগী থবাক্তা তা মতোন থম্মী, ৩-বা মনাইনা থেম্বেম্বগী মখুৎ পুম্মি, থেম্বেম্বা মথা চীক্তুনা থাওই, থাম্বেংবা থাক্লা থাক্লা নোক্তুনা ঈন্দুনা পুখি, ১-বা মনাই মপী ঈরা চেন হুংগাইতনা য়েংহুনা লৈহৌই।)

—Light off —

৪-বা উৎপা

মফম— খেলেম্বগী যুম।

মতম— মুমিদাংবাই।

মী— খয়োম লৈমা, ঈবৈমা, ১-বা মনাই।

(খয়োম লৈমা খ্বাংগী কি শারম্বদগী কোনশিল্লগা—)

খয়োম লৈমা— ঈমাগী লাংলেন। ইমোম নঙবু কদাইদা চৎ-
 লবগে? (নাকন্দগী)

ঈবৈমা— পলেম ঈবেম্মা নমোম লৈরেয়ে।

খয়োম লৈমা— ইমোম নঙবু খোরকউগবা। (খোরক্লুনা—)

ঈবৈমা— তাকপিয়ু পলেম করি তৌরো হাঈবগে?

খয়োম লৈমা— ঈমাগী লাংলেন, করমনোনে? নখক্তা নবুং অমা
 নত্রগা নখাদা নৌপা অমা অহুক লৈরম্বা খোল্লবদি পম্মৌ
 মাগী মার খোঙ্গুল লিনগদবনী, অহুস্থ খোক্লে, হৌজিকপু
 ঈমা ঈচানা তৌগদবসি করিনোবে?

ঈবৈমা— পলেম ইবেম্মা। নমোম ওইবি ঐহাকস্থ লমলৈ ভানা
 য়ুবা পাউদমগদবদা লাইজনা খয়েকবগুম পম্মৌ মাগী মরমদা
 পলেম নকাদা পাউদমগদববু পনজমজেমে ঈচিনসিনা।

খয়োম লৈমা— করিনো। হায়য়ু ইমোম।

ঈবৈমা— পলেম। হুইজ্রি পাদম্বা খয়োই মিতম্বদা কমাগুম্বা
 য়েক্রবগী মফমদা পম্মৌ মাঈখিরবরা খল্লেনে ঈমা।

খয়োম লৈমা— ইমোম! ছমিদাংবাইগী, কোঙরো মোংমদোনগী লৈচিনলোম্না ঈমাদস্থ অদুম্না খুদম চাংদম পীরবনী।

(১ বা মনাই ছুংশুক ছুংজানমা চঙলকই।)

ঈবৈমা— ইবুং ঙাইবা! ঈপা নিংথৌগী করি পাউ?

১-বা মনাই- মমোম ঈবেম্মা, ঈপা নিংথৌ মচা মনাইগা লোই-নবা, চীংশোং নিংথৌগী কৈথমশঙদা লঙজমবা মী ওইনা লৈরে।

খয়োম লৈমা— থোমলেম মঙলানচান ঙাইবং মঙকাওনরে ঈমাগী লাংলেন। (কপ্পী)

ঈবৈমা— পলেম! চিংনবীত্রবদি পংস্থৌগী মার মথোঙ্গুল লিক-রুগে নয়াথং পীমবীযু ঈমা।

খয়োম লৈমা— নত্তে নত্তে, ছুপীবা ওইবী মহাকপু, পাবা কৈরেম্না বাঈব শঙ্গুং মচা শবাক ভখগুম য়েক্কবনা নৈহৎনবা থাবা, ইমোম য়াথং পীবা ঙমলোই।

ঈবৈমা— পারি পোক্তবা পলেম শম্ভৌ পুম্বা য়েক্কবদা মংশক তানবিনবা লৈজবা অমগুম অদুম্না লৈহমগ্রশজনে অপোকপী?

খয়োম লৈমা— তপথখো ইমোম। অঙম্বা! নহাক্তি মতৌ করম্না বাম্ভোরকই?

১-বা মনাই— ঈনা খুম্নাকপী! মাম্ভোরকপা নত্তে থাদোরকপনী।

খয়োম লৈমা— মবমদি?

১-বা মনাই— ঐবু করম্না হঙ্গংলসিগেনে বাকমসি।

খয়োম লৈমা— চিংনবগনু, তম্মু চিথদনা থোদোক্কু।

১০বা মনাই— চাংদাই এথোঈগী ঈরমদা থান্বী থৈথাহুনা বাঈর শাদানবগী মৈনা মথং মথং শন্নহুনা চাকথিবনা চাংশোং মিং-থোগী পুক্কৈ-লনগৈ তুম্ন চাকথরে। মচুগী শাউবনা ঐথোঈগী থোঙমী লাবমী থরদং অদু চাংশোংগী মশীং থীওমত্রবা থোঙমী লানমীমা ইচব ঙাওম কোঈহুনা মীৎনা কুপ্পদা মথুৎ চনরে। ঈপা নিংথৌ অমদি চাংদাই ঈচৌন ঈনাওশিংগী য়াইবী, চাংশোং মিংথোগী মথুত্তা লৈহৌরে, অহুবু—।

ঈৰৈমা— ঈবুং ঙাইবা! মথং করি তৌরবা?

১০বা মনাই— ঈপা নিংথৌ অমদি চাংদাই ঈচৌপ ঈনাওশিংগী য়াইবী থবাই কয়িংলবদি—।

খয়োম লৈমা— হাঈয়ুনে অওবা চিংনদনা।

১০বা মনাই— মযোম ঈবেম্মা ঈৰৈমবু ঙসিদগী কোরৌ শীংগুর মঙাবী গুবা হুমিত্তা চাংশোং নিংথৌ মহেন্দা মরান লুহোং-হুনা কৎচরো, নত্রবদি মপংগী হুমিত্তগী ঈপা চাংদাই মিং-থোগী শমু মশক উবা ফংলরেই হাঈরকই।

খয়োম লৈমা— ইযোম লাংলেন! (মচাবু কোল্লি-কল্লি, ঈৰৈমা উয়ুংগুম লেপরে।) ঈমাগী লা লেন নওবু পদ্দৌনা পলেমগী চেংলৌ শকমাল্লি ঈমা হাওৈরমনা হন্নকপনি হাঈহুনা ঈমাদগী ঈ-লৌ হাও-বাহৈ কক্লগা ঈৰৈমা কোলোই মিংথোন-বনী। নোংমতবু কোলোই নমিং ফান্না পস্থৌনা কৌথিল্লিবনী,

ঈমাগী লাংলেন ঈমাবু করি ওইরসিগেনে ?

ঈবেম।— বাবীরগনু পলেম, চীংঙ্, নোংদম্বগী থৌদাবু ঐ-ঐনা চিকতোকপা ঙম্বা নত্তেনে, তম্লরুবতুমক শোঈদনা পাঙ-থোকপা তাই। ঈবুং ঙাইবা। ঈপাগী মঙাই ফম্লাইবশিং তাম্নবিতুনা হাঙ্গাঁরবতুদনক শোইদনা পাঙথোক্লবা শীনবীরো। (১-বা মনাই থোকথি।)

থম্বোন লৈমা— ঈমাগী লাংলেন। নঙবু থযুম মাঙদ থম ছরি নামুংলতুনা প-ম্বানা মৈদিংঙ্ ঙবুংবদা কংলগনি হাঙ্গদোক-প্রবা য়ারাবু করম্ব হীকতোকে হাঙ্গিরিবনোনে ?

ঈবৈমা— মসি নঙনা চীংদাই ঈবুং ফম্লাইবশিং অমদি পম্বৈগী য়াইবা কম্নবা অতৈ পান্বি লৈতে, চীংশোং নিংথৌ মী নাত্ত পলেম মীতিংচানি মীতিংচা। পম্বৌগী ছরি ঙাকপা, পম্বৌগী হাইদি কনবা পূম্নমক অসিগী মথক্তা মোমম্ব হুন্না থইদৌ ঐনি লৌচং ঙাকপা হেনক্রবা ঐগী ঈথৌদাংনি ঈমা। পম্বৌ ঈপাগী মৈদিংঙ্ মাগী মফমদা নমোমবু কংপা মতম অতুদা নমোমম্ব ঐগী হাঙ্গবমুক খাকপা লৈতনা ইবুংঙো মঙোন্দা য়াইবি কংচপ্লে। ঐনা ঐগী পাঙথোককম থোকপা থবক পাঙথোক্লবা হোংনবদা ঈনিংথৌ মাগী ময়াথং য়াওদ-নদি পাঙথোকপা ঙমলোইদৌরি। হৌজিকমক কংলৈপুংদা চং মৈদিংঙ্ মগাইকাদ ময়াথং নিজরুগে চংনবা নয়াথং পীনবীরো ঈধা।

খয়োম লৈমা— ঈমাগী লাংলেন ! ঈমাবু খোমলেন মঙলা তাইবংলা খঙল্লেনে। অহিং তাংলো অথেংবশিদা মুপীজা ওইবী নহাকপু নদোম চৎলু করম খাদোক্লসিগে ?

ঈরৈমা— মাকম অসি পলেম, নাকোং অনি শুন তাবা য়াবা নত্তে অহুপা খোঙচৎ অসিসু মী অনি শুনা উবা য়াবা নত্তেনে ঈমা। ঈমুং তানশ্রবদি পূম্নমক অরেম্বনী। খোদোক অসি হেক তাবদা কংলৈ নিংথৌনা চৌংশোং নিংথৌবু হুই-য়েন লাম্লিংনরকনী, হুইয়েন লান্দারবদা পম্বৈগী য়াইবী মাঙবশিমদি মশোইজরবনী, অদুনা তাংজ লিনসু শি কোং-য়াং চৈন্তু তেঙ্ক থৌবর শীনহৌদবা য়াদবনী।

খয়োম লৈমা— ঈমাগী লাংলেন। ঈমাদি পাঈমা মুংবংলে, চৎলো করম হাঈগবা চৎকনু করম হাঈসিগে ঈমাবু।

ঈরৈমা— পাইমা থুকচানবিগনু, নমোম ঈশানা ঈশাবু কনজবা ওমদবী অমা নত্তে। (ছম নংদা থোন্দুনা চৎনবা থৌরাং তৌই—।)

খয়োম লৈমা— ঈমাজী লাংলেন নঙবু ঈমানা করম্মা নদোম চৎলু খারসিগেনে !

ঈরৈমা— চিংরমীনপম্নু পলেম, নমোম ঈমুং ভৈজিৈ তম্না চম্লকনী ঈমান্সা।

খয়োম লৈমা— নোংমা চাকচামাং লম্মীনি ঈমোম নঙগী মাবাসিবু?

ঈরৈমা— চিংঙু পরৈ চেৎপীয়ু খয়ুম থাগোম্নরিবম্মু, নখোয়র চৎচ-
কখিগে ঈমা। (খঙহৌদনা নোংলৈ মুংশিংকী মখোম
তারকই, ঈরৈমগী মাইথোঙগী অকোইবদা মঙান কাঙলকই,
মৈ রি-রি মমথাখি, মৈঙানগী মতুং ইন্না ঈরৈমা ডপ্ন ডপ্ন
মাঙখি।)

খয়োম লৈমা — ইয়োম। নঙদি— ঈবেম হাওরৈমা-শম্মুবি।।
(অতকপা মিংরেংদা য়েংহুনা লৈহৌই।)

—Light off.—

[Drop.

৫-বা ঊৎপা

মকুম— কংলৈ নিংথৌগী কা অথা।

মতম— অহিং লোংম্লাই মতুং।

মী— অমুংবা, ঈবৈমা, ভোনথৌবা, ৪-বা মনাই।

(অমুংবা খোমলেম ভুমগম অাল্লম্মী, মাগী মাইয়োক্তা হাওহম পুবী ঈবৈমগী মতান পুবা শকলোন লেপ্পী, অমাঙ্গদগী মিরবা খোম্বাংদা ঈশৈ শকলকই।)

ঈশৈ— হা ঈবুংঙো মৈদিংঙু।
হাওবৈ থাংবাই পাংবৈন
য়াইবি জগৎ থমকোনবা
মালংবা লি-রি খোঙদোইরে,
হুইখৌ লাবনা চীক্কংবা
লাইরেন শাংবনা য়াওনবা
ওইরে খোঙহাই মতাংসু।
যোমনু মুজা ওইবিগী
অরা' লৈথৈ তাম
মুংশি পোৎলুম ফাবগী
থংলেন কাদা পাউদমগে
পাম্মুবা নয়াথং নিজগে,
খোমলেম পাম্বি মিকপলো
য়াকৈজরিয়ে নমাওনা॥

(ঈশৈ লোইবগা তবুংবা ফিংলপ হৌগংলি, মাইয়োক্তা মঙানগা লোটনবা ঈরৈমগী শকলোন উই, মমিৎ মোই— য়েংই, তপ্পা রি-রি ঈরৈমগী মঙান মাঙখি, মৈ রি-রি ভান-থংলকই, ঈরৈমা মরু লুকথদুনা খোঙবী লৈথে চিংদুনা লৈ।)

তবুংবা— সুজা। নঙবু কনানো? (ছুম থম্নগা লাপ্ন থুক্নগা)

ঈরৈম'— ইনিংথৌ ইবুংঙো য়াইফবা। ননাও চীংদাই নিংথৌ মমোমনি।

তবুংবা— কদাই। ঈরৈমা?

ঈরৈমা— হোই, মানি।

তবুংবা— ঈমুং মতম চাদনা য়াংদৌ খোঙদোইমকপদি হাঈয়ু, করি—?

ইরৈমা— ঈনিংথৌ। পম্বৌনা কংলৈ মপুদ ঐবু থাজবে হাঈনা তরা মাঙদা য়ুথং থা'থবা মুমিৎ অদুদগী ননাওসু পুক্নিং অনি লোঙজবোই মিৎয়েং অনি শুজবোই চিংডু মাঙদ থম ছরি পম্বোম লোমজখিবনী। অদুবু—।

তবুংবা— চিংনদনা মথা ভাউ।

ঈরৈমা— চীংদাই ঐগী ইরমদা থাম্বী মৈথাদুনা পম্বৌনা রাঈর শাদানবগী মৈনা পারু-শম্না চাকথিদুনা মহাক্তী পুকৈ-লবপৈ থবা চাকল্লে, মদুগীদমক চীংখোং নিংথৌবা, পম্বৌ অমদি লোইনবা খোঙমী লানমী ৫০ কাদুনা কৈশুমশঙদা মাগী লঙজরবা মী ওইহনল্লে।

তম্বুংবা— অহুদি— মাগী মাণ্ডখিবা মপোৎ মরন লনশিংহ্নবা বাতাইনবা নত্রগা হুইয়েন লানশিঙনসি খনবরা ?

ঈবৈমা— তরেৎ লনশিংনহ্নবা বাতেম-বাতাইনবা য়ারোই ঈনিংথৌ।

তম্বুংবা— মরমদি ?

ঈবৈমা— মাগী মাণ্ডখিবা পোৎ অহুমক নত্রবদি অতোপ্পা মহুৎ শীফরোই. অসিনী ঈনিংথৌ।

তম্বুংবা— অহুদি—হুইয়েন লানশিঙনবনিদনা। ফরে হৌজিক-মক হুইয়েন লানগারসি।

ঈবৈমা— তপ্তবিথো ঈনিংথৌ, হুইয়েন লানগারবদি পম্খৌগী য়াইবি অমুক হিংগদবা লৈত্রে।

তম্বুংবা— অদুৈ করি পাম্বৈদি লৈরি।

ঈবৈমা— নয়াথং শীনবীরবদি পাম্বৈহ্ হঙৎচগে।

তম্বুংবা— ঐনা ওমগদবা ওইরবদি, হাঈয়ু অথাকপা লৈতনা শীগনী।

ঈবৈমা— ঈনিংথৌ। ননাও ওইবী ঐহাকপু চীংশোং নিংথৌ মঙোন্দা লুহোংবগা পম্খৌগী য়াইবিগা শিন্নসি হাঈবি। পম্খৌগী য়াইবিতং করজবা ওম্বা, নয়াথং লৈরবদি চীংশোং নিংথৌগা ননাওগা লুহোংনবা থৌরাংজগে ?

তম্বুংবা— ঈবৈমা। নঙনা নিঙলিরহ্ থুংনমবগীদমক্তি ঐগী ঈনাক্তা লাকলমত্রবনু য়াবনী।

ঈবৈমা— অহুম তাকপীগনু ঈনিংথৌ। মাঙজোননা হঙৎচরবহ্নী।

ঐগী থবাই হকচাং ঐগী নত্রে, খয়ুম মাঙদা থম ছরি পল্লোম জোমহুনা ঈনি·খোদা কৎচরবনী। ঐবু পোকপা পম্বো মপারি পোকচদে, মমোম ইদোম যুইবনী, ঐ নত্তনা হৌ-জিক পম্বোগী য়াইবি কম্নবা কনা লৈত্রে, পম্বোগী য়াইবী কনুক্তগে ঈনিংখোনা ননাওবু লৎনখোত থিংবা ঙাকপীয়ু।

তবুংবা— নত্তনা শীম্নিতলিবা পোরমহ ঐবুহ খত্তহল্লুদনা।

ঈবৈমা— মুজা ওইবী ঈমোশিংনা, তিংতিগুম লোওম থরাওম মীপুকহু, ননাওগী শমু হকচাংগা পম্বোগী য়াইবিগা শিনজগে, কোমো শীনওম মত্তানি ত্তত্রিত্তৈদা চীংশোং নিংখো মকাদগী ননাওবু কনবীয়ু খংলেন হকাদা বাইথুংজগে।

তবুংবা— শেংলবা য়োংখোওম্নবা মৈত্তৈ, অকল অখো পুবা ভুংশি চাংয়েংদা থাম্বী মৈম্নিকপা তাম্নিবা। কৈ ঈক্রসহু, মৈত্তাং কনা যিক্রবা য়োংখো, পোলোইদা মত্তগী ভুংশি লাইজদা মখো শত্তবা কংদহুনা য়োংচমতদি ওইহনগনু।

ঈবৈমা— পাইমা লকৈ থমবিগনু, হন্দকী মপোক লাংওনদা ঈনিংখো য়াওদবা পুন্সিদি ননাওগীদমক্তি অরেম্বনী।

তবুংবা— করে, হৌজিক?

ঈবৈমা— পম্বোগী য়াইবি কম্নবা খোবাংজরুবগে।

তবুংবা— ঈমুংসিপদি ঙাজগা—।

ঈবৈমা— ঈমুং ঙানরবদি, ঈমিংখোগা ননাওগা থমলিবা মমী, খত্তদবা খত্ত ভাদবা ভা-নখিপনী।

তবুংবা— করে, এগী অকা মচাশিংবু নয়ানথাক্তি থৌনা—।

ঈবেমা— মী পোক্কনছুনা হনখিবা যাংঙবদ লাকপদুসু ইদোম লাক্লমলোই। এগী ঈথৌ পাঙনবা হোংনবদা অতোপ্পা কনা অমগা অমুক তাগব, থক্কহনব পাবক্ক ঈনিংথৌ। (থবক্মী।)

তবুংবা— [illegible] চিংঙ থাগী থৌওমা পাঙ্গৌবী যাইবি কঙ্গব [illegible] হনখিবা [illegible]। এ [illegible] শোঙ্কিদনা লোয়গনী।

(ঈবেমা ছম [illegible] য় [illegible] ঈকাই খুম্না থাকথ, তবু বা [illegible] শিনা য়েংল্লোই, [illegible] অতোপ্পা ন্যুকল্লগী [illegible]।)

তোনথৈবা— ঈনিংথৌ ?

তবুংবা— কনাগোম্বা [illegible] কদি ?

তোনথৈবা— [illegible] অকা মচাশিংনা পাউদম্বব অতৈ কনা [illegible] ঈমিংথোদা চোক্লবা [illegible] তোক্লি [illegible] শবু [illegible] চাং ঈবুবা ? (লাইয়ুল থাখল তোক্লগা— ।)

তবু বা— অকা মচাশিংগী [illegible] ?

তোনথৈবা— মনাইশিং নৈ।

তবু বা— [illegible]

তোনথৈবা— অকা মচাশা। ঈমিংথোগী [illegible] ৪ বা [illegible] চঙকতুনা [illegible] —

৪-বা মনাই— ঈনিংথৌ [illegible]

তবুংবা— নখোঈনা সুবা সম্নখোংদা খোজিক হৌজিক কনাগুম্বা অঁচঙ অখোক্কি তৌবিবা লৈত্রা ?

৪-বা মমাই— খোইদোকপা লৈখিদে।

তবুংবা— লৈখিদে। ফরে, চেকশিন্না ড্রাকউ, চৎলো চৎলো। অঙম্বা। (৪-বা মনুাই চৎখি।)

তোনখৈবা— ড্রাকপীযু ঈনিংথো।

তবুংবা— ঙসিনক খোঙমী লানমী থোমগৎত্তুনা শাপোৎ লানপোৎ শেমগৎপিযু, চীংজাং বিংখোংগী মথক্তা হুইয়েন লানদাবা তারি।

তোনখৈবা— ড্রাকপিরিবসিবু ঈবিংখোংগী খুদুম মথাদা লৈবা নিংখোনী, হুইয়েন লানশীংনরকপস্থু তৌদনা।

তবুংবা— অঙম্বা। তত্তনা কারম্বা লোইপোৎ পীরকখিদবসিবু হুইয়েন লানশীংনরকপা নত্রিবরনে ?

তোনখৈব— চুম্মি ঈনিংথো। ননাইশিং থাহ্নুনা, মানা লোইপোৎ পীরক্কবগী মরা ফীগৈরকপন্থু অমুক্তং তাথোকপদি ?

তবুংবা— তারে, মহাক মরাহৈ খোনকম হেন্নে, মঙক মরু হাইরে, কান্নদে অঙম্বা। হাইগৎলিবা মঙক অদ্থু অমুক্তং নমথদবা য়াত্রবনী।

তোনখৈবা— ঈনিংখোংগী নিঙবা তুংইন্না ননাই তোনখৈবনা লাম্থোং শীনজরগনী।

তবুংবা— অকোং লমদা হুইয়েন লান্দাগদবা নস্তে, অরোন লম্বী, ঈখুং মতম ওইবদা— খঙলেদনা? মঙক চুঈকং থাং ময়া কাবা খন্নুনা হুইয়েন লানকা ওইনা পুরক্কদবনী।

তোনথৈবা— খঙজরে ঈনিংথো।

(তোনথৈবা থুরুম্লগা থোকখি, তবুংবা অঙকপা মিংথেং অমদা য়েং বাখন তৌদুনা লৈহৌই।)

—Light off.—

৬-বা উৎপা

মফম— চীংশোং নিংথৌ খাম্নংবগী য়ুম।

মতম— নুমিৎ য়ুংবা মতম।

মী— খাম্নংবা, ৩-বা মনাই, ১-বা মনাই, ঈরৈমা, খেলেম্বা।

(খাম্নংবা ক'ংচুপ থক্তুনা হুদং-হুন্দা চক্তুমা লৈরম্মী, ১ বা মনাই চওলকই।)

৩-বা মনাই— নিংথৌন' তাকপা মতুং ইন্না লাম্থোং শীনবা লোইজরে।

খাম্নংবা— উমঃ ঐগা মখোঈগা হাঈন শীংনখিবা কোরৌ শীনগুম মগুানৌ ওসি গুরে। মখৌ তৌরকলে ঐগী থবক পাঙলে, নত্রবদি চাংদাই মচা লানফা পুম্নমক অমমত্তা ওইনা মতুপ মতুপ কক্তুনা হুই-লমহুইগী মচীজাক ওইহনগদবনী। অদুগা চেকসিল্লু, চাংদাই মখোঈগীদমক্তা মৈতৈ নিংথৌনা লানবাং-লকপা য়াই। মরৌ চাউবা মৈতৈনী মীৎ-নাকোং শিংগ-দবনী। (৩-বা মনাই খোকখি, খাম্নংবা য়ুথোমদগী য়ু হৈহ্ননা থকই, ৩-বা মনাই অমুক চওলকই।)

৩-বা মনাই— নিংথৌ!

খাম্নংবা— করি তৌরে?

৩ বা মনাই— চাংদাই অওম্বা অমনা নিংথৌ উ-মনিংই হাঈরি।

খাম্নংবা— কৈ, পুশিল্লকউ। (৩ বা মনাইনা ১-বা মনাই পু-
রকই, ১ বা মনাই লেপ্তুনা লৈ, মু থকপা লোইরগা—)
চীংদাই অশুম্বা। করি হাঈনিংই ?

১-বা মনাই— হাঈন শীংনখিবা কোযৌ শীংগুম মঙাম্নী ঙসি শুবা
মুখিংনী, নম্নাখং থোৌবাংলগে পাকচরে।

খাম্নংবা— চা-হা-হা লুংডাইদা চীংদাই অশুম্বা। হাঈনবা শোঈ-
দবা অহুনিদনা নিপা থোদাং হাঈহুনা। চীংদাই নিংথোন
খেলেম্বগী মযোমফুদি য়োৌরক্রম্বা ?

১-বা মনাই— মরাল লুখোংনব নিঙোল লকউনগা লোইননা
লাকচরে।

খাম্নংবা— ঐ মহাক্না উননিংই। (১-বা মনাই থোকখি, ঈরৈমা
পুশিন্দুনা চঙলকই, ঈরৈমা মকোক থুমজিন্দুনা চেপয়াননা
লেপ্তুনা লৈ, খাম্নংবা মু ঙাওরে, ঈরৈমবু চাগদবশুম কোঈনা
চৎতুনা য়েংলগা—) চীংদাই চম্ম। নশোং উনা লৈহুনা
চীংশোং নিংথৌ ঐহাকপু তিনশিৎ মাঈশিংনুরকপা, হাঈ-
খোদনা ঙসিসু নহাক্তী থোঈচৎ-বাংচৎনবা করেম্নবা বা।

ঈরৈমা— ঐ হৌজিক নথুং চল্লবী মুক্তা অমনী, হাঈনিঙবা
করিসু লৈত্রে, ঐগী অরোইবা নোনজ বাহৈ অমত্তংদি —
নংনা পামজবা ঐগী শমু হকচাংগা পম্বোগী য়াইবিগা শিন্নবা
য়ামবদি শিন্নরসি অসিঙনী।

খাম্নংবা— কদিগী শিন্নদনী, হা-হা-হা শিন্নগনী, মযোম পোকচবা

চৌংদাই খেলেম্বা মরাঈবক কৈদা। য়াইবি মথবাই কনজরে, নিংথৌ ভাইওইনজরেদো। লুহোংবগী থৌরম মতোন লোম্নবা ভুংদা পম্লো খুংশিন্নগনী।

ঈবৈমা— নত্তে নিংথৌ, এই নঙগী কৈথা নোম্নবা শাগুম্বনী, থমনিংনা মফমদা থমবীয়ু, কোবৌ হেনবা মালেম অঙানবা খুরুম্না য়াদবা মতাং থোক্লি, ভনিদগী কোবৌ শীংগুম মঙানী শুবা মুমিত্তা লুহোংবগী থৌরম থৌদোন লোম্বীয়ু। হৌজিকমক কৈশুমশঙদগী মতম কুইনা বাবক্লবা ঈপা, ঈবুং ইপ্বাশি বু থাদোকপীবো।

থাম্নংবা— এনা লুহোংবসি য়ৈথোকপা য়াদবা থোক্লবদি?

ঈবৈমা— ভাইবং লীচং ভাক্লবগীদমক বিজোন খুংগু থাঙসিনা ইদোম ইমুগী ফীরাক থাঈজগনী। (থাঙ উংলি, নোক্লগা)

থাম্নংবা— চৌদাই চন্নু, থাগৎনিঙাইনী নঙগী লীচং-থৌনা। চিংমগন্নু, এনা নঙগী লিচংপু থক ঈকাই থুম্নদবা তৌরোই। নথোই কনা কনা লৈ? এগী পম্বোং বাংমগী মীয়েক শঙ অদু হৌজিকমক চৌংদাই চন্নু ঈবৈমগী য়াওংশঙ ওইনা শেমগদবনী। চৌংশোং অঙম্বা। চৎলু চৌংদাই নিংথৌ মাগী থোঙমী-লানমীগা লোইননা কৈশুম শঙদগী থাদোক্লবা য়াথং পীরু, অদুগা তাও, মথুত্তা থুজু খুংলাই পাঈহনখিবা য়াদে হাইয়ু। (ভ-বা মনাই থোকখি) অদুগা তাও ঈবৈমা, ভসিদগী কোবৌ শীনগুম মঙানী শুবকাও নঙগী ছবি ভাকপা

ওইনা নঙগী নকমদা ঐগী তাঙজ মাই উৎলবোই, অদুবু খম্বিগুম্বা নত্তোন্দা ঐগী হাইনিং হংনিংবা লৈরব্দি মী থারক্কে, নঙগী থাজরবা চৌংদাই অঙম্বশিংগা লোইননা ঐগী ইরান্দা লাকেরা?

ঈবৈমা— লাকচগে।

থাম্বৎবা— হাইনখিবা শোঙ্গইরবদি?

ঈবৈমা— হাৎকে তুপকে ননিংনি। (মপান্দগী—)

খেলেম্বা— ঈপাগী লাংলেন ঈবৈমা। (চঙলকই।)

ঈবৈমা— ঈপা ইবুংঙো।

খেলেম্বা— ইমোম নঙবু— ঈপাদি করি ওইরসিগে?

ঈবৈমা— পল্লো। নমোমগী লাইবক্তা অসুম্মা থোকউ তঙ্গব-ননি।

থাম্বৎবা— চৌংদাই নিংথৌ। নঙমুক লাইবক ফবু কনা লৈরি। নমোম অপিবত্তং ফুইজরম্বদে মাইবি নথবাই কনজবা ঙমলে অহুগা চৌংশোং নিংথৌগা তাইওইনজবা ফংলেদনা।

খেলেম্বা— চৌংশোং নিংথৌ। খঙদনা শোঙ্গইখিবা মী অমদা অসুক বকপা মরাল পীবা, নশাগীতা ওইজবা থিবা নঙশুম্বা শা অমা তাইওইমবা, খেলেম্বা ঐগী লাইবক থীবনী। তম্বা মিপাজাশিংগী মাঙদা নঙগীদমক ঐদি হুইম্নাই পোম্বী শেন-কোইজৈ।

ঈবৈমা— ঈপা ইবুংঙো— চৌন্দা পাউদানবীরগনু, হৌজিক্তি

চীংশোং নিংথৌ অতোপ্পা কনা অমা নত্রে নমোমগী তাঙজ থুবা মতৌনি। (খাম্নংবা শাউরম্বদগী হরাও মোমোনজৈ।)

খেলেম্বা— ঈপাগী লাংলেন।

ঈবৈমা— পম্মৌ অপোকপ'। ঈরান্দা হনবিয়ে', লাইবক চাউবী নমোম ঐগীদমক য়াখিবনা চারম থকলম থঙজত্রবী পলেম ঈমাদো তপ্পা পুকথেম নাউথেম্বীয়ু, থয়াই থোঙ্গাল লামা থুবাক লাইথন তা খুনিং য়াংনা কাং অঙাওবীগী মতৌগুম নমোমগী লম্বী য়েংলমলগনী। নমোম কৈদৌদে, হয়াও তয়াম্ন লৈহৌই তম্বিয়ু। (হীক্ক হীক্ক কপ্পী।)

খেলেম্বা— ঈপাগী লাংলেন। নঙবু থনমলগা ঈপা ঈরান্দা হনবা ওমলোই, ওমলোই ঈপা ঈরান্দা হনবা।

ঈবৈমা— ঈপা ইবুংঙো, নমোমগীদমক্তা অমুক য়াবীরগনু,— মোমঙ্গু মুজা ওইবী ঐথোঙ্গী ঈহৌশানী। নিঙোম্না য়পামদ লৈমা শীঙ্গুম লম্বী চৎহৈদে হাঙ্গৈবদাইনে পম্মৌ?

খাম্নংবা— কাম্ন য়েংলি অঙম্বা? নহেম্মবু য়াওং শঙদা পুম্মো। (৩-বা মনাইনা ঈবৈমবু চংনবা থুদম তৌই,)

খেলেম্বা— ঈপাগী লাংলেন ঈ-বৈ-মা। (চঙশিন্দুনা থামগে তৌই, খাম্নংবনা তা পাইদুনা মমাঙদা থংলি, থানা য়েংদুনা লৈ, ১-বা মনাইনা খেলেম্ববু বোন্দুনা পুথি, ঈবৈমা কপ্প কপ্প ৩-বা মমাইনা পুদুনা চৎথি, খাম্নংব থাক্ক থাক্ক নোকহৌই।)

—Light off.—

৭-বা থৌংপা

মফম— চৌংদা লৈবা ঈবৈমগী য়ুম্ভাং শঙ।

মতম— নোংয়াই চবুক লোনবা মতম।

মী— ২-বা মনাই, ঈবৈমা, তোনবৈবা, থুম্বা পাখং, ৩-বা মনাই, খাম্লংবা, তবুংবা।

(২-বা মনাই তা পাঙ্গছুনা য়ুমগী অকোঙ্গবদা কোঙ্গনা মী য়েংই, লাপ্পুক্রা হুই খোংবা তাই, মরক মরক্তা লমহুই খোংবগী খোঞ্জেলসু তাই, ঈরমা কিমা মপান থোরকই। উপাল অমদা মৈরা অমা থাম্দুনা লৈ।)

২ বা মনাই— মযোম ঈবেম্ম! কর্মিমত্তা কিবিগনু, নবুং মিৎ-শেন থাজহুনা থৌগনজগনী, চিংনদনা চেপ্লিক।

ঈবৈমা— কিদে ঈবুং ঙাইবা, ঙসি ঈমুংশি ঙাম্নবাদি হয়েং মঙানী ঙবা দুমিংনী, নচন ওইবী ঐবু পাঙ্গমা পুংবংলে। করিনো ঐনা ত্তোগদবসিবু? পাম্বা কৈ-জংলাংগী মমা দা কৈথা নোম্নবা রাইব শঙ্‌ অপিথক পাম্বা শরাক তমগদৌরে, কনবা ঙম্বা শরেন নোংশা পাঙ্গনবত্থবু কৈদনে?

২-বা মনাই— ঈবেম্মা। অনকপদা তাউবা হুইখোন তাবিবসি চৈংশোংগী মী লাক্লম্বা য়াই মাগী মরমদা ঈচৌন ঈপ্বা রাজী-নগম্নুসি।

ঈবৈমা— করে, লাইবক চাউরবী নচন ঐগীদমক বায়েদো ঈবুং ঙাইবা।

২-বা মনাই— বাদে, ঈবুং কবিস্থ বাদে। (ঈরৈমা য়ুম মমুংদা চঙ্খি, ২-বা মনাই কোইনা চত্তুনা লৈ, তুই লমচুই থোং-ঙগী মখোন তাই, তোনখৈবা পাকখংনা নাহক্তগী মকোক লিংথোক্তুমা ২ বা মনাইবু য়েংই, শক খঙলহনা শং হৌ-গংলকই, ২-বা মনাই তা শীংহনা চোংশিল্লি, থুনা—)

তোনখৈবা-- ভাইখোঁ, চীংদাই অঙম্বা।

২-বা মনাই— তম্বা। নঙ কনানো?

তোনখৈবা— ঐ মৈতৈ অঙম্বা, অকাওজমচা তোনখৈবনী।

২-বা মনাই— মৈতৈ অঙম্বা ঈচনগী মতেং পাংবীগদৌবিত্রা?

তোনখৈবা - মানি, অহানবদা ঈবেম্মগী লৈফম খঙদনদি থবক চংথবা য়াদ্র. হৌজিক লাম্মী পুম্নমক চাইনা লৈরি। অপীকপা মৈরি অসিগী মতেং নংলমম্নবদি ঐনা ঈবেম্মগী লৈফম খঙবা ওইথোক্তবনী।

২ বা মনাই— অহুদি অঙম্বা। মপান অসিদা কুইনা লৈরিবগুম্ব চংথগদবা থৌরম অহু মমুংদা চঙলগা তাম্নবিরুবো, ঐ য়েংরু বগী মী য়েংজগে। (তোনখৈবা ঈমুংদা চঙখি, তুই থোং-বগী থোঙ্গ্রেন ম্নায়া তাই, ২ বা মমাই মুংশা থীবা পোকই, ঈমুংদা ওনশিন্দুনা—) মৈতৈ অঙম্বা। থোকপীবকলো, তাউবা তুইনা লাক্র লাক্র থোংবসি চিংনমিংঙাইমি। (তোন খৈবা, ঈরৈমা থোরকই।)

ঈরৈবা— মৈতৈ অঙম্বা ভাইহাকী মমুংদা খাব্বী মৈয়াসি মুংলকে,

মতম অহূদা ঈনুংখোৱা ঐবু লৌবীরো তাকপীরু।

তোনথৈবা— করে থ্রদি ঈবেম্মা, খরদং ঈংথবকপগা খোক্বা তৌরসি। (থুনা চংখি।)

ঈবৈমা— ঈবুং ওাইবা, নচম্মা চংলবা তুংদা ঈবুংদি করম্না লৈকৌগনী?

২-বা মনাই— ঈবিম্মা। ঈম্মা ফিবুন নম ঈখুং তুংবুম্মা ঈথোঙ খুমাও হং চনুশিনবীরম্মু।

ঈবৈমা— অহুবু— ঈবুং। তুংদা ওইরগদবসিদি থঙত্রেদকো।

২-বা মনাই— খরগম্ম ঈচনশিদি, ঐ মখোঙ চিন্দা পাউদানমিতৈ ওাইহাক লমদমবদি ঈচম্মা চেনথিদদা থুদোং চাবা কংবা মাই। অহুতবু ওইওবদি-মাইবি লৌগে লৌজমম্ম।

ঈবৈমা— মতম অমদা— মতাং চাবা মফমদা ঈবুংখোইগী লমন শিংজরগেকো।

২-বা মনাই— ঈবেম্মা! চৌংশোংগী মী লাকই। (৩-বা মনাই চঙলকই।)

৩-বা মনাই— মৈতৈ অঙম্বা। নবেম্মবু পুম্বনা নিংথোগীদা হৌজিকমক লাক্কম্বা মাদে হাঈরকহ।

২-বা মনাই— মমমদি করিগীনো?

৩-বা মনাই— হয়েং লুহোংবগী মরমদা ইবেম্মগা হাঈনা তা নগদবা বা লৈমাক্লে।

২-বা মনাই— ঈমুং মতমসিদবু—।

৩-বা মনাই— নিংথৌগী য়াথং নি। (শাউনা খোকথি।)

১-বা মনাই— কার খনবীরি ঈবেম্মা ?

ঈরৈমা— ঈবুং, চৎলুরসি। (ঈরৈম মাঙ থাদুনা চৎথি, খাম্বংবা, খুঙ্গা পাখং, ৩-বা মনাই মারি মারি চঙলকই, ঈরৈমা অমসুং ২-বা মনাইনা চৎখিবা য়েংলগা থুংলে থুনা খুঙ্গা পাখং অমসুং ৩-বা মনাই নারক্কা থুপরে, খাম্বংবা শাউনা মৈবুন মুংথংলগা ঈমু দা থাঙপাক পাঙ্গীরগা চঙখি,লমহূগীই অরাকপা খেঞ্জেন মরক ঐরক্কা ডাই, অনকপদা হুইনা লাক্ক লাক্ক খোংবগী মখোম তাই, তোনথৈবা অমসুং তবুংবা নাশোন পীক্লা চঙলকই, তোনথৈবদা তা শিন্নরম্লগা তবুংবা ঈমু দা চঙখি, তোনথৈবা তা অনি মখুং নাম্ম নাম্ম পাঙ্গহুনা যী য়েংহুন লেপ্পী, নামোন্দগী খুঙ্গ পাখং অমসুং ৩-বা মনাই খোরক্কন তোনথৈবা "ঈক-আক" তৌহুনা কাহনা পুখোকরে, খুদক অাসমক্তদা ঈমু দা খাম্বংবমা তবুংবগী খবাক্তা থাঙনা য়াম্হরে — 'অঃ' খোঞ্জেন তাখিবগা লাইনমা তবুংবগী হামুন পাঙ্গীরগা চিংহুনা পুখোররে,—)

খাম্বংবা— মরৌ চাউবা মৈতৈ নিংথৌ, ঐগী থৌরবা কাবাক থাঙগী মরাদা নকোক লালুহু কৎলুসি লাউ। (চিংহুনা পুখি, অনকপা মফমদা মৈঙাল থাঙ্গৎলকলে, হয়াও পুজিগী মখোল তারে, শারাও লাম্নাওখোমা নিনরে, ঈরৈমা ফিংনা চঙলকই, মৈবুন মুংথংলম্বা উই, থংপ্রেক থংই, তা অনি

তাহ্নুনা লৈবা উরকই, চিংনবে— ঈমুংদা চঙখি, নিংথৌনা য়াল্লকপা ঈ-তৈবা কি পুথোরক্তুনা থোরকই য়েংই, শোল্লি— "ঈনিংথৌ।" থাক্ল থাক্ল নোক্তুনা খাম্নংবা তবুংবগী অককপা কোক পুহ্নুনা চঙলকই) হাঈ, পুকশেংদবী চৌংদাই নিঙোন। নঙগী মবৌ চাউবা মৈতৈ নিংথৌ তবুংবগী অককপা লুরাম্ন তু-লৌজৌ। (ঈরৈমগী মথোঙ ময়াদা অককপা কোক লংশিল্লি, ঈরৈম কপ্তুনা)

ঈরৈমা— লাইবেন মৈদিংঙু— ঈনিংথৌ। (ঈ তৈবা ফিহ্নুনা কোক অহু য়োমশিন কুপশিল্লি, হিক্ল হিক্ল কপ্পী।)

খাম্নংবা— কোনজৌ কপচৌ পেম্না অহিংসনা, ঈগুংশি ঙানবগা মৈতৈ নি পৌগী অককপা লালু চোমাই খাম্নংবা ঈপাগী লুখা থানগে। (শাউনা চংখি।)

ঈরৈমা— ঈবুংঙো। লাইবক চাউবী ননাওগী মায় থোঙ্গুল লৌ-বিরকপবু থোঙনা চংপা মং থিবা থোক্লেদো। হা ঈবুংঙো। ননাওবু করি ওইরসিগেনে। (হিক্ল হিক্ল কপ্পী) নমু তাই-বং মালঙপান্দা অময অঙান থাঈবীবিবা চিংঙু লাইদি থয়ুম লাই। ঈগুঙ ঙাল্লিঙৈসিদা ঈথংলেন মৈদিংঙুগী লুরেন, কংলৈ শুমতো পান লাঙ্গোই শারোকপুংগী মংলেন্দা তিম্নবা পুতবা ছমবা ঈতীক ঈথোনা পীনবীরোনে লাইনিংথৌ। (খুরুম্মী, অককপা কোক ফিনা য়োমশিল্লি, ঈমুংদগী ছম লৌথোকলুই, হাপচিল্লি, থাংচেং মচি লাংই ছম থোঙ্গত্তুনা চংনবা থৌরাংলকপদা হুই-হুইথৌগী লাক্ল লাক্ল থোংবা মথোন তারকই, ছম পুরবা ঈরৈমগী মাঈথোংগী অকোইবদা মঙাল কাওয়ক্লে, মৈ থর থর মমথরকপগা লোইন্নুনা ঈরৈমগী মশক মাঙখি।)

—Light off.—

৮-বা উৎপা

মফম— চীংয়াগী তুরেল অমদা উবোক খোং।

মতম— অযুক শ্নমিং তরং তরং খোয়কপা মতম।

মী— ৩-বা মনাই, থুঙ্গা পাখং, খাম্নংবা, ঈবৈমা।

(৩-বা মনাই থুঙ্গা পাখং ভাইদুনা মখবাই বানা কোইচং চংতুন। লৈরম্মী, থুঙ্গা পাখং দুংশা থীনা চঙলকই।)

৩-বা মনাই— করম তৌরে, থিবা ফংলব্রা?

থুঙ্গা পাখং— অঙম্বা। অকাওজম তোনথৈবগী অককপা লালু অমদি শমু হকচাং হৌজিকফাওবা হয়াওথেলদা অচুম্মক তাদুনা লৈহৌরি। মৈতৈ নিংথৌ তবুংবগী লালু চোমাই ককপ্পবা শমু হকচাং থিবা ফংত্রে।

৩-বা মনাই— অশোমদনা মৈতৈ নিংথৌগী অককপা লালু ঈবৈ-মগা লোইননা মাঙখ্রে, হৌজিকপু ঐথোঙ্গী চীংশোং নিং-থৌগী অহকপা চৈরাক ফংবা তারবা?

থুঙ্গা পাখং— অঙম্বা! অচম্বা থুঙ্গা অমা ওইনা লৈবদি কম অমত্তং নাইবনা ফগত্রা খন্দুনা চীংশোং নিংথৌদা মাঙদবা পোং কয়া মাঙই, চাকখিদবা পোং কয়া চাকখ্রে, নত্ত-ওইদবা কয়া চিরোন তৌখিবদুগী মহৈ ওইবা তাবেমে। অঙম্বা ঐদি য়াম্না নিংঙমলক্লে দা! (মপান্দগী লাউরকই—)

খাম্নংবা— হাঈ হাঈ চারু ঐগী চানগা থবক্সা মীগী তৌবা মীনাই

খুরোৎপশা। মী মাঙলগা পাঙ্গমা খুংবং চেংলৌ-মীৎচানছনা লৈরগা কংবা থোনদে, ঈরোক লাইচম খুদিং চঙছন তুরেন লাইথংকাল কয়া কুমছনা থিয়ুনে (মশা চঙলক্লগা—) পুক শোংদবী ওক্তবী চীংদাই নিঙোন অদো চীংশোং ঐগী লমদনী হেন্দোকহনথিবা য়ারোই, মায়ু ক্লারগা ঐগী কবাক থাঙ অসিনা মতুপ মতুপ কক্লগা মচেৎ-মচেৎ হুই লমহুইদা পীজ-গদবনী। করিগুম্বা থিবা কংদবা থোক্লবদি, নথোঈমা মাগী মছৎ শিনগদবনী, ঐগী কবাক থাঙগী ময়াদগী অমুক সিৎ-কদবা লৈত্রবনী থঙউ, চৎল্লো চৎলু। (খুজা পাখং অমসুং ও-বা মনাই পেছৌ পেছৌ নাকন অমমমদা থোকখি।)

লাকচল্লেদা। কৈ, পাম্বা কৈজেংলাংগী মাঙদা কৈথা নোল্লবা য়াঈম শঙ্কুং মচা মহাক্লা কয়া লাপ্প চেনবা ঙম্বগে য়েংগে। (থাম্লংবা শাউনা থোকখি। ঈরৈমা য়াম্না য়াম্না তরঙদা য়েংছনা তপ্প তপ্প থোরকই। খমুম লংইস্নাগী তরঙ লাইপাউ লাউরকই,— ঈরৈমা মপাম চীংদাই হুংশিনা য়েংছনা লৈ।)

তরঙ লাইপাউ — মৈদিংঙু তবুংবা পাম্বি ঈচাবু নপুরোইনী নিঙজবী, হে! লমচৎ শোংবী ঈরৈমা, নথংলেন নমানগী মচাগী অককপা লাল্লু চোমাই য়েক্ল' চীংশোং মগাইদৈ কংলৈ গুমতোংপান লাঙ্গোই শাহোকপুংগী মংলেন্দা মথৌ য়াংকেম্বা লোম্না পু য়াংদৌ থোঙদোইরকপা। লমদাংলেন, মোরমু মুজা ওইবী নঙগী থোকখি' অরা থৌ তুংলমচৎকী চাদোন গুদোম্না

নিঙশিংনা বাঙম শৈশক্ক য়বা ভেংথানহৌনবা লম্মীং কোলোই মিংথোল্লমলে। লিনবাই ঈরিক লাইগী অমত্তা ওইরকপা ঈচেম্মা ঈরোং অনি ফাংখিবদা থোইনা মুংশি মুংওনজখিবা লমলেনছুবু ইথোই কারোং থোনলমলে। মথং মাংদো খোঙদোইরক থোং অমা লাল্লমদাই পোম্বী চেক্লাগী অহীক থোল কৌজেং হারৌগী শৈথারোন তাখিদবনা ঈচীক চীক অচীকপনা পাঙ্গৈমা পীবুক থুকখিবা লমদমছুবু চিকচ্রিবী থোং থোল্লমলে। মথং অমুক খোঙদোইরক থোং অমা লাল্লমদাই মুক্কা পীবুক নৌ, লাইবক চাউবী ঐহাকসে ইপুরোই লৈত্রবী লুপ্পা ওইরবনিকো য়াথনকম থোল্লমলে মছুবু লুপ্পাথোং। মথং অমুক খোঙদোইরক বাওছমমুংদা য়াওখিবা নপুরোইগী কোকতগী শিম্বুরকপা ঈরীক্কা লাইজ ঈপাক্তা তারগা ঈচাই চাইখিবা মকমছু থোল্লে ইচাই ঐহাক্কা। মথং অমুক খোঙদোইরক বাথন লংজিন পুন, মুংখুম চনৈনরকতৈ, খাই লাউবা বাথন্দা চিংনবনা ছমদগী অককপা কোকপু য়াওবরা য়েংখিবা লমদম অছুবু থোল্লমলে মকোকচিঙ ঐহাক্কা। নপুরোইগী কোকপু পাঙ্গৈ হীক্কা হীক্কা কপ্পদা মীংলু তমং ঈহৌরকপদি নোংমদোন লিক্কা তাগু'ম তাখিবদো, লিক্কা তাবি থোল্লমলে। মুক্কা ওইবী থোঙ্গেম্মা অহীক্কবা থোনফমদা, নপুংরোইবু কৌজখিবা চেক্লা নোঙ্গৌবীনা নোংদোনলাইজ ঈকোবগুম থোং লমদম অছু হীকো হাঙৈনা থোল্লমলে। হাউনা

খিক্লোই ঊরি-বারী হাইদোক্নুনা লীম্বুনা লাকখিবা মফম অহুবুনা থেংমমগে লিক্লী হাইনা। মোমন্থ মুজা ওইবী পাঙ্গন শোনবী নহাক্লা ঙাইহাক অহা' পোম্খোক্লা বানা শাংনা লাক্লেনকো খনখিবা মফমহুবু বাশাংপুং ঙাইনা খোন্ন-মগে। লমদম শাংনা ছমদা হাপ নথংলেন মৈদিংঙ্গী লালু অককপা পুঙম শাংঙমলকত্রবদা নিঙোনগী চৈ নম-থংনা খাউবু শা মুজা নথাদা মুংশিনা পম পুখিবা মফম অহুবুনা পুখাউ হাঙ্গৈনা খোঙমলে। (খঙহৌদনা নোংখাং কুপলকই, খঙপ্রেক খংনা য়েংখিবদা তবুংবগী মঙানগা লোঙ্গ-ননা শক উই, ঈরৈম—চরাও-মোমোন ক্লৌনা তবুংবগী মশক লৈবা মাইকৈদা মথুং তিংখোরকপদা তবুংবগী কোক তুবেন্দা তাখবে) নোংদম্বনা শেমলকপা নিঙোন ওইবী নহাক্লৌ পুন্সি চংনা লহৗদি লমদাঙসিদা লোইবেদো। (তরঙদা উব, তবুংবগী মশক মাঙৱে খঙহৌদনা কিগাওদগী কোক যেংবদা, য়াওরমদে, শাই লাউই, ঈচেন্দ কোক তাউহ্নুনা লৈব, উই চরাওবা অমম্লং মুংশা খিবগা লোইননা—)

ঈরৈমা — ঈনিং-খো। (থোংদগী চোংথখি।)

মংলঙ পাউ— নপুরেঙ্গী অকক কোক তাখিবদা খঙ-হৌদা মাঙলে বাখন ঈরে ঈনা চোংথখিবা মফমসি মুমিং-থান ঙ'ল্লিনৈবে ঈরৈমা লাঙ্গকোন হাঙ্গনা শক বাঙ্গব কেং-খানহৌরশনু। ঙসি নাংসিদগী লিনবাই ঈরিক লাই তুবেন'স

থুজা নঙগী কোলোই' লৌ কৌরসপু ঈরৈমা তুরেন হাঈহন'।
(নোংমদোন আতিংঙাদা তবুংবা অমসুং ঈরৈমগী মোমোন নোকপা মঙানগা লোইনবা শকলোন উই, মতম অসিদা তরঙ-মালঙদগী লাইরামগী থাগৎ ঈশৈ শকপা তাবকই—)

লাইয়ামগী থাগৎ ঈশৈ—

হা-ঈবেম্মা ঈরৈমা
পম্বৌ মাগী য়াথংবু
খযুম মাগী য়রানি,
লমলানবৈ য়াইবি কনবদা
ঈশাগী য়াটবি থৌশারোই,
হাওবৈ থা ৱাই লম
মাইগৈ লেপ্প। থরাম্না
মকম হোংনা থোক্ত'শুম
ঈপুয়োইগী মকমদৈ
পাঈমা পীবুক লোঙফরোই,
মিঙোন নঙগী শিন্তাক বা
লাঈজ মানা ঈ ঙি'থৈ
থাম্বী মৈনা শামি'থৈ
মুংনাই কাউনাইদ' ওই'সমু।

(ঈশৈ লোইথিবগা লোইননা তবুংবা অমসুং ঈরৈমগী অপুনবা শকলোন তপ্ন তপ্ন মুংখরে।)

The End.

অহৈবগী কোওথরম্বা লাইরিকশিং

শৈরেং—

১। হাওব-কোম্বু শৈরেং।

২। শৈখারোল।

অতৈ—

১। মৈতৈগী পাউরো পাউতাক অথোম্বা।

ড্রামা—

১। কপাল কুণ্ডলা (নাটক)

২। মোইরাং নোংবান।

কোংপদবা

বারী মচা— ১। লুংথিলগী মঙ্।

ড্রামা— ১। থুমন পুরেম্বা।